সেন্থী মুকাক্লৈ

অইবা —

অংঙোমবা

মমল লুপাঃ ৫·০০

পে পালবন	পোপালুদান	১৩	১৪
মজৌতবু	মথৌতবু	১৪	৫
পোলনবী	সোলনমী	১৫	২০
মানবীবু	থানবীবু	১৬	৫
হাঁথরে	হোঁথরে	১৩	১৪
চেংজিনজরে	চেংসিনজরে	১৭	৬
লৈখি	লৈখিদে	১৯	১
কাররী	কামরী	২১	১৩
হাইদ সনমা	হাইদসিনমা	২১	১৭
ই-রানমা	ই-লানমা	২২	১৫
হাইনা	হাইছুমা	২২	১৭
সনাহমসিবু	সনাহমসিবু	২২	১৯
চংয়েং	চংয়ে	২৩	৬
খেনবিয়ে	থোনবিয়ে	২৪	৬
হাইছুসা	হাইছুমা	২৪	২০
চী উ	চৌংউ	২৫	২
মীপুননমা	মীপুননমা	২৫	১৪
রাথে ক	রাথোঁক	২৫	১৭
নি থেম	নিংথেম	২৬	৪
লৈপ ক	লৈপাক	২৮	২১
হুপানা	হুপনা	২৮	২১
লকাছুমা	লাকতুমা	২৮	২১
থনবনা	থনবদা	২৯	১৫

জুমখোকচমা

শ্রীরামচন্দ্ররা	শ্রীরামচন্দলা	৩৭	১৫
থাংচমনা	থাংচমননা	৫০	১০
ত কপিয়ে	তাকপিবে	৫০	১১
মুংদকমদি	মুংনকমদি	৫০	১২
নংতরে	নংতেয়ে	৫০	১৫
পাংঙ্গল	পাংগল	৫১	১২
কাংরুম	কাংদরুম	৫১	১৬
কুমবৈম	কুমবৈমবু	৫১	১৯
থতনা	থক থা	৫২	৭
সন্নাইদি	সমসাইদি	৫৩	৯
থীদমা	থীদনা	৫৩	৩
চন্দকলে	চংলকলে	৫৩	৫
কমামা	কমানা	৫৩	১৩
মবো মবোং	মবোল মবোল	৫৪	১
লোইলা	লোইনা	৫৯	৩
চৌথক	চৌংথকতা	৬০	১১
কুমমদা	কুমজদা	৬৩	১
অমমতাসাইনা	অনমতাসাইনা	৬৪	২০
অমনা	তমনা	৬৪	২১
হং থ	হংথি	৬৭	১
কাওবম	কাওবা	৭০	৫
কাইদচরা	কাইদমরা	৭১	১৮

সেম্বী মুকাক্‌নৈ

ইয়ু খোংইয়ুম লাইনিংথৌ কাথৌ লাইমা খোমবা পোইরৈ মাপেন্না লৈপাক ওমবা কংলৈ নিঙথৌ লাইনিংথৌও তেংপালবগী মপুও ন'বু হনমা চননা থুরুমজগে। মৈনা মাইদা তাংনা শংবা মীতৈ নিংথৌ ইনিংগৌ পামহৈবা মহাক থককী লৈপাক ইসৌ লাংথিবা লিকথুন লিকলমতবু মীতৈ ইয়ু ইয়ামদা থুরাই কেকুগী খোইয়া থুমখোইববু অমতা কাইদনা লাথুপ ওইনা চন-সিনজরমগে॥ আঃ কললকইদি খোমনবা মীতৈ মাইচৌ লিমথা ইয়ু ইবুংঙো খোংনাংথাবনা লিকথুন তাকপিবা থচিকতংতবু হাইজরককে। চৌংথু ইংঙো মামচৌসিংনা সৈসকনমমথা "পাওনম থিদেন মপান্দা কৈতা হিতং মন্নুমাংনা তরেৎ সেনপুং মৈথন্নি থাং-লেন পুংজাও ফুবদি সনা লিকলাই মরুপী তুবী মক থাঙ্গদি হৌদেদো সেমবী মুকাকনৈ মরুমা থাবদি হৌরেদো মাঙমসিবু থংনসি নিংথেম-ও"॥ কোলৈই থিংলেন লোমচৎনবা তুবী নিংথেম পামহৈবগা খোংলোইনবা চৌংথু ইয়ামদা খোইরাং লালহানবু অকাও চরৈ হকতা চৌংথু মসাইওন খোংনাংথাবা মমাথংবু থচিকতা ইসিনচগে হাইদনা॥ চৌংথু খোংনাং চুমচৎনবা ইয়ু মাপী পাওতাকপু লাথুপ চননা ইজগে তাথিবীগনো॥ পাম-হৈবা মহাকথক লৈপাক ইসৌ লাংথবা মরম থিবিক অসিবু লাথুপ চননা ইরমগে ॥X॥

নহাক্লনোং খোংনাং মন্নামবা পামহৈবা হাকথকতা থোকখিবা লৈপাক বাথোক ওইখিবা মরমতনু হাইজগে ॥ মীদিংগু তুবী পাইখোমবনা অচুম্বৈ মরাম হৌখুন নারুম্বৈ তুবী নিংখৌ মপাবুং মীদিংগু খুনজাওবগী সন কেংনকেন লৌরুক্কী ? পাক ইসৌ লাংখেয়ে ॥ তুবী চরাইরোংবা মপুন্নসি নিংথিনা হাইওমরে হাইদবরা ॥ কোইরৌ অচান চাইরিক্কি মতৈ কংলৈপাক ইনিংথৌ তুবী চরাইরোংবা মতিক মচন করমনি ॥ লাইগী নোংদমখোল তারকৈ তুবা লাইরেল লমথোকপনে ॥ চোথে চীংমাই মনিলনাই চোথে খুললাকপা মনিংতম হান্না চুমনা পালকলে নিংথৌ রারুম সামু রারুম কীদবনা খুললাকপা লোইপোং থৌওইদরে ॥ লোইপোং খোমগে থন মালং থমগোন কননা মৈবী মৈরেল থোকনা চরাইরোংবা চোথে লম পাংলকলে ॥

চোথে চীংমাই রাইথুংলবদা খুললাকপা মতৈ নিংথৌগা মাইওকনখরে ॥ থৌগল লোনচং কাইনরকপদগী তাকশিনবা রাদচুনা হাকথেংনবা লাললোংবু কোইরৌ মুমিৎ চুপ্পা লোকনরে ॥ হমনি স্নবগী মুমিৎতা কোইরৌহনবনা নেম নেম রাইরকচৈ চোথে খুললাকপা মপুংফানা মাইথিবে ॥ ... মাবু পামমুনা লোইপোং পীজরগে থল খোংলোই থরগ নোংজংরে ॥ চোথে কেনদে মপুংফাইদা নাইতোম হাইনা শাৎলিবং লাইবী কৌবী ইবেম্মা পনথৌ মাংদা লেপলরে । মহা ওইবীগী সক্কতা থোইনা হেনবা মীথোইবিবী ইবেম্মসি চরাইরোংবগী পানাইদবা লায়বাক্তুম সকনরে হাইদবরা ॥ তুবী চরাইরোংবা

মুজা মাবু নংঙনা কনাবুসু উখিনরে ॥ পোইরৈতবু উরবদা চোথে খুললাকপসি মিংসনা থমবালদা তমং লাইজা ইরা হৌনা মথকতা মচেম শাংতরবী মথ দা অমা কোইনরবী মযোমবু খুদাং [illegible] নিংথৌনা থরই থকতা লৈহাও পঙ্গুম কংচথরে ॥ চীংঙ্কু থৌজাল অকনবা অসুম থোককনি থনদেদো ॥ নিংথৌ মনাই অচানবা সাপপা হুইতু চাওবনা খোংলোইতবু ওইজরে ॥

মীদিংঙ্কু চরাইরোংবনা মসানৌ চাইবীগা খোংলোই ওইনা চঙমবসিংগা লোইনদুনা কংলাতমনা হললকলে ॥ লৈপাককী কোলোই ময়াথংনা চাইবী সুজাসি চরাইরোংবগী লৈমা ওই লমলেন লমনুংসি কংলাতোংবী মকমদা মেলকমবু ওইনখি ॥ অদু নোংদগী লমলেন কংলাতোমবীও কৌরে হাইদবরা ॥ নিংথৌ লিকলাং তংকবোই মীতৈ লৈমা ওইনঙাই কনা লাইপকচাওবী মীতৈ চহুবু চরাইরোংবগা লুহোংননবা লৈপাক চংমা হোংনববু অরেমবা তারে ॥ চেংথে হৌখুন লোইনরোই চাইবী মাবু চেংচরে হাইদবরা ১জুসু মতোমদে ।!×॥

লৈপাককী মিংয়েং নিংথৌনা থাংওমদে ॥ লালদা সাদা ফারকপদি নাইফানি লেপখিবনা লাইপক কনা থিরবী চাইবীবু নোংপোক ংংথোঙ্গা মতম থরা ইমথোকতুনা থমবীরে ॥ নিংথৌগী থৌনথি চনখিবনা চাইবী মসাইকোন তোইরদরে ॥ অঙকপগী থৌদৌনি মহু চংউবা ময়াংগী লুচিংবা শ্রীগুরু হিসনু গোস্বামী অংথাইবনা মীতৈ কংলৈদবু বাইখুংলরে ॥ ময়াং

মহুচ উৎবু ইমু খুরাই কৌকুনা খো কম অমতবু হেনজিনহনবিদে। অচবু কনানা থংগনি ॥ হে চীংঙ, নোংদমখোল শ্রীবংসম্বু গোম্বামী পনবা তৌদনা চংজকম থিরবি॥ মক্ত তমজা লৈরে থংজিনা মৌতিক মীরো লৈজনরবা লৈপাক্না থয়বললাবী চাইবী মসাইকোমদা লোনবা থুপনা মম্বাংনা চংজখি ॥ চাই-বীবু লৈপাকনা লানথোং থিংবীবা নংতে নাইকা ওক্লবতনা অমুম থোকখিবনি ॥ চম ইরোংবা নিংথৌনা নাইকা নংতে হায়-থিদবা অবানববু থোকপনি ॥ X ॥

খুমন লৈকোয়পুংদগী লাকখিবা সাপপা হুইতু চাউবদি মখোম পেংকতা মখোংগা চাইবীবু মখোম ওইনচৈ মালেম লপতৈব হাইখরে ॥ নহালবোং কংলাবেনগী থিহন তমনাতায় সাপপা চাউবদি চায়বী মাবু পোকপনি থম মখোম সকনা থাজখিবা মতাংদা মীতৈগী পুখুমহোং সপাই ষ্মহোংনবিবনি। মখোম পোকলে হয়াওজবা কয়াবু কুইনতাইদো ॥ কংলৈ সনা মপুংম্বোনদা লায়রেল মীতিংঙনা তাহৈদবা পাওতবু সনা-নাকতা থুংলরে ॥ নিংথৌ পোকপা তায়খোংঙমবীবু কৌজুনা কপনরকলে ॥ তায়খোংঙমবীগী মপারি মীতিংঙ চম ই-রোংবদি অরাবা বাথল থাথরে ॥ মমাংগী মহু চাওবনা হাওবম সেলজু বগী পৌ সিনবা চাইবী শাকতা সঙজি ॥ নিংথৌ যংঙনি হায়চিনমনা সেলজুংবনা মমাংবু চাইবী কোনদা পুসনি ॥ X ॥

শ্রীবীসম্মু গোস্বামি গুরুনা নিংথৌবী য়াথং পাক্লা চাইবী মাকপ্তা চংজরুনা মতম কয়াদা লোমনা থুপনা লৈরম্মি ॥ নিংথৌগী লৈমরিংনৈ কাংলিবী লাইপক থিবী চাউরাবা লেল-লুংবী য়মাথংনা বীসম্মু গোস্বামীনা থিংগি হাইরংনংললে হাইরবর্মা ॥ মনা কনজাও কাহুনা হৌরাই প্লিবা থৌগললে ॥ পাওথি পাওনিলথোল থদি নিংথৌ মনা মাকোং য়াইথুংগে ॥ নিংথৌ চৎবা অওমবা থূরাই কেকরুবু কৌরুনা লোমনা চৌকদা বা তানমথরে। থূরাই কেকরুনা হাইরে “হে নিংথৌ হাইবদি য়ামবা অকিবা বাবু চংলে ॥ নিংথৌ নংগী মনা কনজাওব' থমক ওমথোকপা মীওইবা য়াহিপলে” হাইনা তাকলবদা মীয়াম চতনা কাহুনা অহকপা ঠৈরাক পিথি ॥ কেকরু বাথুল অচেৎপবু উহুনা নিংথৌনা বাহং চৎলে ॥ “ইপুনা বাথুল অচেৎপবু তাকপীরে ॥ নিংথৌ হৈবী ইপুকনিংবা লৈজবা খিপিক লোইনা হাইরো” হায়রবগী কেকরুনা হাইরে ॥ “হে নিংথৌও লাইনিংথৌবী তাওজং মকনাইবা অহৎথক লৈরে ॥ হৈ অমদা নবাই মুপী-দা পীগে হাইনা থজলি ॥ হৈ অমদা নবাই হাওবম লেলরুং-বদা পাগে হাইবা থজলি ॥ হৈ অমদা থূরাই কেকরুনা পীজগে থজলুরে” হাবদা চুমলে হ হৈরবদা কেকরুগী মহুক রুংরিং-করুনা অমুক্সু বাক' চৌরলে ॥ নিংথৌনা লোনমা পাইরিবা চেংকুক [illegible] [illegible] [illegible] য়াওনা লৈবদু লেইনা হ [illegible]-লোকলে ॥ চেংকুকক্রী [illegible] অমা তাদ লমা লৈরিবা অ[illegible] [illegible] থোকলবদা চুমলে হাইদুনা [illegible] পংলে ॥

নিংথৌগী সনা পুক্রিং মুংঙাইন্তবু উবয়ুনা অভোম চনুনা সনা হকচাং সোকনা থৌকল ভৌজরে হাইদবরা মচুমু- মলোমদে ॥ অকোইবম চনুদা নিংথৌ ইমি হাণথি হাইদবরা ॥

চয়াইরোংবা নিংথৌনা মসানৌ চাইবীবু সনা মাকতা পুসিনজুনা থমজথিবা হাউবম শেলজু'বগী মকমদা চিংনপরৈ থচিক হুকতবা নংত্তে ॥ কোইনৌ মসিং মুনা চাইবী মোংমা নোং- মগী কীবম হোংলকলে ॥ নিংথৌ সনা পুক্রিং মুংওললে ॥ মহাক্কোং চোথে মপুংয়াইদগী সনা মথুৎমকনা হেকচরকপী 'চাই- বীবু মীতৈ কংলৈ মপুংয়াইদা পুরকতুনা লৈবা তুংইন ভাথরবীনি ॥ সাপগা মাগী মচাসক সাপম চমু মুংথিল চাইবীবু কৌনবনি ॥ কমকাল মিহুলবু ভমনবনি ॥ মাইকা নংত্তে হাইহৌদবনা লৈমা নিংথৌ অমিগী মকাই ময়াবু থোকলবনি ॥ সাপম চমু মুংথিল চাইবীগী পিহুকমুংদা ময়াংগী মহুম সাথিববু নিংথৌনা মঙল- মওল থম্রকলে ॥ লৈপাকনা যা'য়োল থোকললকলে ॥ 'পাওনম হিদেন মপানদা কৈতা হিতং মম্লখাংদা ভরেৎ সেনপু ইম্রবদি বংলেন পুংজাওফুবদি সনা লিকলাই মক্কগী তুণী মরু থাবদি হৌরেদো সেমবী মুকাকলৈ মরুনা থাবদি হৌরেদো' সৈসকলবা নাকোং থুদিং সিংজা লৈরমে। কৈতা সংদা য়ারকপদি নিংথৌ সনা নাকোং য়াইচিললরে ॥ লৈমা নিংথৌনা নাপগা চিকনরে। লিকমু সিনবা। টেম্বুমু তেকহনবা মরমতবু থিরকলে। অমারোমদদি লৈপাককী অথঙ অাই মাইচৌ শিংগী বা কাংনরকলে ॥ তুবী নংগী নকাক থকতি কৈদৌয়োইরে হয়েং তুংলম চৎকী য়ানে। "তুবী নংগী

হাকথংদা পানলগদবা নিংথৌবো লৈপাকপু কাংথং নাইরোই-দৌরি। মচা মনাও সক থঙনররোইয়ে। চাইবীগী পিবুক মুংগী অঙাংনা মুপা ওইরবদি ওনথোকনা রাজৈ চেলনগদৌরি। নিংথৌ কধবু লোকলগনি হাইনা অহকপা রাজ্জোলতবু নিনররকলে। মন্থুং থুগনা লৈনবদা চাইবী চিনবাক থক-খা কংথরে। নিংথৌ সক-লোন থৈরকলে। লৈপাক কনা থংদনা মকেং থাংগাল থুলগাক-পিদা অবোন নুমবী তাকপিরকলে। "লৈমানা মুপা পোকলবদি খুললাকপি নংনা মচা সকনা মতম থরা নাওয়োকলো। মতমগী খোংবাইনা ফরকপদা নিংথৌ ইহাক লাকতুনা লৌরগে' হাইনা সিনররে। × ॥

অহেবপগী খৌদৌনি চাইবী রাংগোজসং কুমলে ॥ মপারি সকন ইবা অমবু অহিংগী তাংলৌ পূ'কমদা ফংজরে ॥ থিনবা ভৌদনা নৌরা অদুবু মকেং থাংগাল খুনদা থৈথথরে ॥ লৈপাক ইসৌ কোকনবা পোকখিবা অঙাংবু খৌদু মু'গুমলে অরেমবা ওইরে হ ইজিনথরে ॥ খৌদু মুংগুম ভুমবক তুমনা নৌবী নৌফম না ইঙাং পকক্তৈনা ফিরোনমুংদা য়োমথরে ॥

লৈপাকতা অমুম্বা লাওথোকলবদা লৈমা নিংথৌগী পোৎথাবা ফংলে! নিংথৌনা চাইবীবু মপুনসিগী থাদোকপা ওমদবনা থৌওং অসিবু থোকলবনি ॥ লৈপাক থংহনদনা পারো পানথৈ তৌনা চাইবীনা খুললাকপিগী মফমদা থৈখিবা অঙাংবু হেক হেক পাও তোইজৈ ॥ নিংথৌ সেনবা সেলমুংবা থংহনদনা য়েনবী য়েননাও য়োকখিবা য়েনবা য়েনখোং তোজুরে

মেহৃয়া কাম্মোৎ চুম্বে খঙ্গো অকোন বাবু তাংন্দুব ॥ ইনশাকনা মুখ্যমন্ত্রীগী ঙাকচনা চাইবোংবা লিংথোনা থাংনাখ. ফুনবা লোইশোংদা চাইবা কাংবা লৈবরে ॥ × ॥

চুপী চাইবোংবা থাংগান চৌংথাই কাহনা লোইশোংদ থৌবা মাঙ্গনা চাইবোনা লোকখিবা মতাংদু লোইনবা থংবা মনা কোঙ্গুংবা পূককনে ॥ মৌতিক মনা কোঙ্গুংবা দো মচা মাহুনা লোইসং লিকনা থবখি ॥ মতাং অদুদা দৈশাকনা চাইথাগী মচাসিং অদো মচাসি মাইকা ইচলক চকনা থননবি ॥ অকুমীসক মখোংগী ইরাবনবা মাথা হুরবু অদুবা সংলেন দ ইনা থজখি ॥ চাইথাগী মচা অমি লিংথোনা মাথনা থোইনা হুংসিখি । লোইবা চাংথগী মথুংদকনা চক্রধ্বজগী ইরাংগা পাবনজিবা চাইথাগী লোকচ-ম-অতাংদা চাইবোংবা লিংজোলন্দ থক্নব হুংসিখি । চুপী চাইবোংবকী মৌবা মতাংসিবু পাবনজিবসু পূরজা ইবনজিংবা লোকখিবনি থরনবা পাইবা হাইসবু কোনোই লিংথোলব রে । পাবইবগা লোইনবা লৌবগা খুনিমাং মৌতে মুনাক ভাবখোক-পিবে । পাবইবনা কুপলকপদা লৌথেমথিবা মতাংদু খংবা ফজনা লৌবেই অর্ধকঙী চাংবগ মুনাব ওইবখীবে । লৌবা [illegible] লিকপাবনবনুপদা লৌবা পাবইবসু [illegible] লৌথেমই [illegible] ই লৌবব মুনাক ওইবখিবু [illegible] ॥ × ॥

পাবইবা লোইশ্বগী চাংবগী চাইরোলবু কক-ব । মচুংবা [illegible] চাইথ-। [illegible] পোক [illegible] থাইবা [illegible] [illegible] লিং । [illegible] ইদোং [illegible] ই [illegible] । [illegible]

মৌগনা তৌজেখমীবা হৌবম সেনলুংবনা মৌংমগী কোয়োদা খঙাংগী পির্থুনা থঙজখি॥ চাইবীগা সেনলুংবগা থংদোকমঙুনা সেনলুংবগী মথোম চম্থু হুমিৎলৈমাবু লোনমা পীনরে। হৌবা লোইসংগী হনজবা মকোক ওইরিবা সেনলুংবসিন্থ হৌবা লোইসং পাৱনবদগী হৌবম থুমনাক মতুং ইনথরে হাইদবমা। লৈপাকনা হৌমচানি ঙাংনবসিদা তুবী নিংথৌ চৎলাইরোংবসি থুংঙাইকম থংখিদরে। অঙোম চম্থুগী থৌইনসিননা চাইবীবু সনা কোনথুংদা থজিক লাপথোকহনবিরে। চাইবী পুকনিং থুংশি মৈওমচুনা হৌবম সেনলুংবগা লোননা লোননা ময়া তাননরে। নোংমা অহিংনা তাংদৌ অথেংবদা হৌবম সেনলুংবগা চাইবীগমা পামহৈববু তাননা সংলেনদা মায়ম অচেৎপবু তাননখরে। পামহৈববু চৎলাইরোংবনা পোকতে হাইববু থংহনলবদা কংলৈগী নিংথৌ ওইহনলোইদৌবগী মরমদা ইনসিনবীরে। লৈপাকনা হৌমচানি ঙাংমবনা কংলৈ নিংথৌ ওইবা ময়োইদৌরি নিংথৌ সেমদবা মাদে হাইনা লোননা থংহনলে॥ হৌবম সেনলুংবা মমাকপু নিংথৌ ওইহনগে খনবতনা মথৌ ওইরে। চাইবীপা তাননরে। পামহৈবা মাবু চৎলাইরোংবা নিংথৌদা য়েকনা তেমসিংনহনলে॥ অকোংলমদদি ওইরোই খনচুনা অরোনবা লমবী থননরকলে। লাইগী নোংদমখোললা তমলকপবু কনানা থৈরুগনি। চাইবী সেনলুংবা পামহৈবা পুনথরে।

ময়াং ঈদা মপাল থাখিবা পামহৈবা অঙকপা থৌয়াংবু তৌগদৌরি ॥ নোংমগী অহিং তাংলৌ অথেংবদা নিংথৌনা ভুমখুম হুললিঙৈদা পামহৈবনা মখুৎতা থাংলেন পাইদুনা থজিন তমনা থিলহৎলে। মকু ইবুংঙো হৌবম সেলজুংবম্ সনা সংগাই সুংদা তা-পাংলয়ে হাইদবরা ॥ ভুবী চয়াইরোংবা নিংথৌদি ময়াং কৌবা মুমিৎ হুমনিগী কোয়ৌমদা তাকনাখাদা থমজেৎ চাবা চৎলুবনি। তাকনাখাগী ইরেল ইপাক ঈয়াইদা মায়েং ইপোম ঙাহুমলকপদা থ'হৌদনা চয়াইরোংবানা তেননা কাপসিনখি। তেননা থাবদা লাইজা ইরোনসুংদা অকিবা খোমখোকখা লোইননা ঙংলদুনা চিকথাংনখি ॥ ইয়ু খুবাই কেককুনা থোদৌ অহু য়েংবদা তাকপিখি ॥ ইপুথৌ পাখংবগী পাফল সাথোককমদা ইথোইনা চংজবনা তৌবনি ॥ হৌজিকতি মপুথৌ সাহুম কংলবনিনা নিংথৌ পুনসি ময়েং ময়েং তারগনিয়ে'। নমদম লমলেল অসিবু লমসুংসি তাকনাখা পুজুক সৌবীও ভৌনা কৌয়ে হায়দবরা;

থোদৌ অহুবু তিমকোক লাইকোকননবা খুবাই কেককু মাইচৌনা ইয়াং থৌবু তৌখ্রে ॥ ঙসিদগী কোইরৌ সিংবুম অহুমনি লাইনিংথো সনামহি মকাইকম য়ুমলেল। চিথেকতা লেংদনা থৌনিবিয়ো হ'য়না তাকপিরবদা নিংথৌদি কোইরৌ মুমিৎ মসক উদবা মুমিৎ নিনি মুজিনথরবনি ॥ হুমনিগী অহিং মবৈদা হৌবম সেলজুংবনা পামহৈবগনা লৌতুনদুনা নিংথৌবু হাৎপিরে ॥ নৈপাক মীয়ামদনা নিংথৌদি লাইনিংথো সনামহি

থৌনিরি হাইনা খংহনলে। অদুবু কনানা খংগনি লাইনী নোং-দমনদি পললকওরি॥ তুমুক হৌখুনমা লানদাবকতুনা সনা-কোনমুংগী নোংচুপ সনাথোং পাইসিনখরে॥ কোইরৌ মুমিং হুমনিগী পুংকম খরভা মঙাইরকলবদা সনাকোনমুংগী ম্যাংলগ্যদবা অদু উরকলদুনা লাইনিংকমদগী চয়াইরোংবা নিংথৌদু থোরকভুনা তুমুককী লানভাববু চাইমরে॥ তুমুককী লালচিংবা ফাদুনা হাৎলে লাল ওমলে॥ পুংকম হাংনা থোরকপদি করম থোক-লগবা হাইদুনা তুবী মনিংথৌ চয়াইরোংবা সনা কোনমুংনা হনজিনদুনা নৈথি হাইদবরা॥ অমুম খননা হিপখখিবদগী থোমলেন মিকপ থোকওমদনা তাইবং চেংজেল লোমহনখিবনি। তুমুককী খাৱম পনথোং স্নোবদা তুবী চয়াইয়োংবা অবাবা হংচোক লাংথিতৈ সনা কোনমুংদা থোংবা চংথি হাইববু হৌবম সেললুং-বনা ওইওমলে।

চয়াইরোংবা নিংথৌনা সিরমদাইমকভদা হৌবম সেললুংববু নিংথৌ হাৎপরা হাইনা হংবদা পামহৈবা মথুৎতা থাংলেন ইতৈমনা নৈরমববু উরকলে॥ পামহৈববু কৌসিনদুনা নিংথৌ ময়াখং পিবীখি॥ হয়েং তুংলমচৎকী মতমদা নিংথৌ ইনা ওইখিব-গুমনা থোককনি হাইনা পামহৈবদা ভাকপিরে॥ চয়াইরোংবা সিথয়দুনা পামহৈবনা কংনৈপাককী নিংথৌ ওইরে॥ চয়াই-রোংবনা নৈপাকতা সেংদোকপা য়াৎহৌবনা নৈপাকনা পামহৈ-ববু হৌমচা লাইনখা হেললকলে॥ থংদবমা হাইবনি পামহৈবদি

থৌমচা নৎতে ॥ মাবু পোকপা পনথৌদি গুরু বাঁসম্ভু গো-সাঁঙ্গিবু কৌবনি ॥ পামহৈবনা নিংথৌ ওইরে তাবদা মৱাংগী মথৈ পৈল্লরে ॥ নিংথৌ চয়াইরোংবা সনা হকচাং মঁরে হাই-জিনছুনা কোনহুংদা কনা থংহনদনা থমজুববু মালং ইঁচিক লাংগে হাইরে তুম্বুক লমথোঁ লমথিনগে হাইরে হাইজিনছুনা মথা হোৱা খাগী দোলাইথকতা কিওৌনা কুপনা পুথোরকলে। চমং হাপলে পুং-সেন মৈরে। চরাইরোংববু পুহনা খুবাইরমপন লালনকলে॥ খুবাইরমপন থোং লালনমদাইদা নিংথৌদি দো-লাইগী মথা থংবা অহোবদগী তারে ॥ কন্নিনা তাবনো হাই-রবদি-নোং থোংহনা নোংমৈ সিংজং তাইয়ে তুবী নিংথৌবু থককী তেননা পালনে হাইনা মৈসকনরে। কৈথেল কাবিসিংনা হাইনা সকমবদি কনানমু থোংওইথিদে ॥ থককী তেননা থাবদি তুবী মহকচাংদা নৎতেয়ে ॥ নমবুল থোংবাল ওংনৱাই পাথেল উজাওবু থককী তেননা থাবনি ॥ য়োইবু য়োইহৈ কোনহুং থনবা পুমনমকনা ৱারমসিবু ফিবু সুংদা লোননা থুপনা থমনরে হাইদবরা। থককী তেননা পানছুনা খুৱাইরমপন লময়াই-সমগে হাইবদা তুবী য়াইবী থাবনে হাইজিনবীবনা মৈপাকনা ইসৌ লাংহৌরে। অছু নোংপীবু থৌৱাই থানফম লমলেল ইসৌপুং-ও তোনা কোয়রে।

ময়াং মচামক ওইরবা নিংথৌ পামহৈবনা হোৎম সেল-জুংবগী মচাপুপীবু লৌহনা কংনৈদা পাদলে। পামহৈবনা

দিবাপন্তী অপামবীবু লৌহুনা সমজাইবু কংজরে॥ সমজাই পোকপী মমাগা থানা লৈমা তরা লোনখিবা পামহৈবা কৌবা নিংথৌনি। লৈমা তরাসিনা মচা ইবুংঙো তরানিপাল পোকখি॥ পামহৈবনা পোকপা মচামহৈবু সাই হাইনা কাওর্বনি॥ মীতৈ কংলে মপুংযাইদা ইচা নংতনা ইচা সাই. মীগী মচাবু মচা সাই হাইবগীবু সাই হাইজবনে থংবীও॥ পামহৈবগী মচা সাই তরানিপাল অসিগী তরেৎথংদি কোলোই থিংচৎনখি হাইদবরা॥ নিংথৌ পামহৈবসি শ্রীহৎকী মহুচাওবা ময়াং বামোন সানতিদাসনা মচা লকনা কোনবিরি॥ সিলোৎ মপুংযাইদগী লৈকম থংদা চেললকপবু পোইরৈ মীতৈ ক লৈপাকতা চংজকমবু ওইররে.। শ্রীবিসম্ভু গোসাঞিনা তাংনা থাজরমবা পামহৈবা ইপাল চাওরকলবদা নোংচুপলমগী মায়াং মথৈ ফুম নোমলরে॥ গোসাঞি স ইওন তসেংবা সানতিদাস থাকুরনা নারানদাস, গে পালদ স অথোইবগা থোংলোই ওইরকই হাইদবরা, মন্তুম মদোমদে॥

সিলোৎকী সানতিদাস গোসাই অসি পামহৈবা নিংথৌনা ংোইনা চাননা তৌজখি॥ ময়াং গোসাই অসিবু অহানবা উবমকতদা পামহৈবা নিংথৌসি মুংঙাইবা মথৈ লৈখিদরে॥ মারে মক্ক কংলে হাইদুনা ময়াংগী বতাৎ তৌরকলে হাইদবরা॥ পামহৈববু মতিক থাগৎপিদুনা নংঙ নংতবা থৌরমবু তৌররে॥ তৌরবা সিললবা থুদিংদা ময়াং ইপাল পামহৈবনা থোইনা

হেন্না ইনোং কাববু থোকপনি ॥ মপা মতোল ওইমগাই সানতিদাসপু লিসাং লিসাং থাবিয়ে ॥ মতম লৈরে খনচুনা মছু চাউবা ময়াংনা ওনথোকপা য়াতবু নিংসিংবিরে। ওইদবা য়ানা পম্মেং সাচুনা মীতৈ নিংথৌবু লমজিংবীগে থনবনা মতৌতবু ওইথরে ॥ ময়াংগী মচৎ উংলকলে ॥ সানতিদাস গোসাইনা নিংথৌ মতেং লৌরগে হাইনা অসেমবাবু তাকপিরে। "হে নিংথৌও পুকনিং চংনা তাবীয়ু্যা, নিংথৌ নংগী লৈপাকী অথোইবা লাই সনামহিনা ইবু কৌথোকদবনে ॥ লমবোইবা ইওক পাইনা লাকচা খুদুম চননা সনামহি অথোইবনা পুবী-রকপনে ॥ লাই সনামহিনা পোক্টৈরে মীতৈ কংলৈপাকতা লমবোইবা ইসম লাকনা লুবাই মমলাং কে.ইদৎনা পুবীরকপনে," নৎত্তা য়ায়োলবু সেমথরে ॥ ইগী ইথোং সেংথিবনা চুমনা হাইবা চুমদনা হাইবা খংথিদে অওইবনিত্তা মরোইজ ॥ "হে নিংথৌও নথোইগী লমদম অসিদি অরুবা লমদমনে" হাইজি-নদবরা, মচুম্ন মদোমদে ॥ X ॥

ময়াংনা মছু চাউবা সানতিদাস কৌবনা অরেপপা লৈতনা হাইরকলি ॥ "হে নিংথৌ লৈপাক অসিগী তিনথোং লাইথোং কাননবা নিংথৌ নংগী কোনম্মুংদা লমবোইবা ইবু থমবীয়ো ॥ অছু তৌহিকলগা নিংথৌ মমাননবা মরকতা মুমিংকুম মসোং চাউনা মথন তানগদবনে" ॥ ময়াং মতিক অরুববু নিংথৌ খজিক খংথিদে ॥ মীতৈ কংলৈ মপুংয়াইদা নিংথৌ নদোম

মুংঙাইমু লৈমা তরাগী মপু ওইমু তাকপিরে।। অমুক থিনথবা তৌদনা মথং মথং নিংথৌ তুংইন তমলকলে।। লৈমা তরা লোললবদা মচা ওইনা সাই তরাবু কংজরে।। মতুং থিনবা তৌদনা সাই নিপালগবু পোকতুনা ভনমক্কা সাই তরাগ্না নিপ'লমাবু পোকচখি ।। মরাংনা মছু চাউবানা মীতৈ লোলচৎ অরিবা নিংথি থোইবা অসিবু কললক মীসো লাংবনা নিংথৌ কমজাওতবু সেননখি।। কমজাও রাহৈ অথুপপা লাইরাতবু ওইনা মরাংগী ইপান পামহৈবদা তুংইন তমমুতবু লেপপা লৈভনা ইমসিললি।। করি লৈবা থংদনা পামহৈবা কৌবদি নিংথৌনা লৈমা তরাম্নুনা লোনবনি।। মংালনোং পাওনম হিদের মপানদা ভরেৎ সেনপুং রৈখিবমু মরেক সেংথি থংদুনা সানভিদাস অহনবা লৈভে।। মনাই সেবক অথোইবা অনিবু থাদোকতুনা নিংথৌ কোনগী লৈম্াসিংবু মুংসি অওৎ থাংননবা মরমতবু সিললখি হাইদবরা।।

নিংথৌনা ম্নারে থগুতুনা গোসাইনা লাইরিককী থৌরম পাইসিনখরে। মীতৈ লাইরিক মখৈবু তুমনা মাংনবা হোৎনরে। মনাই অচানবা অনিমা লৈমাকোনবু নৈবান। লৈমাকোনগী লৈমারেলদি তুমননবু ওইথিবান কোলোই মরিং থমবালনি। লৈসক লৈচু হেনবনা লৈমারেল কমথোল কনবৈনথি হায়দবরা।। থমবাল তুমন নিংথিবী লৈমা মাগী মথাদা মহাক গোললবী মনাও মরিমান্নু পামহৈবনা লৌখিবনি। থম্বাল মাগী পাংথকলৌ মে:ই-

ম্যাংথেন চন্দ্র ইবেমমা মসাগী মামজা সেগাদগী সেংনা লৌথি হাইদুনা পাইখু লানথাবীবু কৌবনি। চীংঙাথম চন্দ্র ইবেমমা মথংলেন সেংনা কিমাই ভুনা লৌখিবী লৈমা খুবীবু কৌবনি॥ মাইবম চন্দ্রদি ইবেম্মা মথংলেনবু কৈথেল চিংনা হাৎখিবা পাংগা' কৈথেল মানবীবু কৌবনি।। ঙাংবম চন্দ্র সকহেনবী চেংলৌ সকহেনবীবু মসাগী কাইনা সেংখিবী ভুবন মাবু লৈমা ময়ামবী হাইনা খংনবনি॥ ভুবন লৈমন চিনবসে লৈপাক মথক মখা ওনবগা মাননবনি অসি বাবু পামহৈবনা য়েংবা কৌবা লৈখিদে॥ থৌরম থৌদোক খুদিংমকতা সানতিদাসনা সিনজাথবু মহৈ য়ানখি॥ মকম মতম মাইদনা ময়াংগী মরুপ মথৈনা মথং মথং থুংলখি॥ ব্রজহারাম অথোইবগা লমবোইবা লোকদাসনচিংনা বামোন সিতারামমন্ত্র থুংলৈয়ে হাইদবরা মক্লম্ব মপোমদে।'×॥

কুমজা কুমসিং অয়ামববু হৌখরে॥ ময়াংনা মতাং হৈবনা মীতৈগী লোলচং খংদোকলে লোইনমকতবু খংজরে। মীতৈগী মরোল খংলবগা মীতৈ মথক মখা য়েংলকলে॥ নিংথৌ মাগী মকমদা ওইদা পরেং সাবিরে॥ "হে নিংথৌও নংগী লৈবাককী অরিবা লমচৎপু হোংদোকভুনা ময়াং ইগী ধরমমাবু চৎলগদবনে।।" নিংথৌবু হাননা ময়াংগী ধরমমা লৌহনলে॥ নিংথৌ মাগা লোইনবা লৈমা মথৈন্ন ময়াংগী লোলচৎপু লৌহনলে॥ ময়াংগী মাবাই অথোইবা গোপালদাস কৌবদা লাইমিংগী পথাপ লৌখি-

বনা গোপালসিং কোলোই হোংজরে॥×॥

বারম অমবু হাইরককে ॥ মহাননোং লাইরেল মীয়িংউ চয়াইরোংবা মহাক থককী বাবু হাইগে ॥ নিংথৌ মাগী মকমদা মরাং মচা খিবিকনা লাকপবু অয়েঙবা ওইখিদে হাইননবা লমলেন বাংগোই মকাইকমগী লৈসাংখোং থিবেন মরুদা লাইনিংথৌ সনাবহিনী কোলোই যিংলেনবু চেংজিনজরে। লমলেন লমদম খঙিদা কুয়া লাইনংবু লেমহুনা খুবমতবু য়াম্রিবা তাইবং থাইবা লাইকমবু হুমনা হমনা সেমগৎলে। লাইনী খুবম অচেৎপবু তাইবং কনা চিংথদনা থুরুম লৈপুন কংনখি। খুবম মকমদা থুবাংয়েৎ মমথাং থমহুনা তাইবং মপু সিদবা লাইনিংথৌ সনা-মহিবু হৈয়াং লৈপুনথেল লৈয়াং লৈসক থেনহুনা থুরুমমরে। অন্নুম থুরুম লাইকম চৎলবদা নিংথৌ লিকলাং তোঙতৎলবনা মীয়ো থায়োবু থোকখি। নিংথৌ চয়াইরোংবগী সিরমদাইদা হৌবম অহন সেনলুংথগা চককাপানিনচিংনা লৌতুনহুনা লাইবা হাইবা কোনা মীতমসিনদে ‹ › । লাইনিংথৌ সকথম সেমখিবা লৈপাক বাথোক চাওবনি। গোপালসিংহ নিংথৌবু ময়াং ধরমদা পিবনা মীতৈগী অকাইববু ওইরে। অদু লোং-গীবু হৌবম বাকাইও তোনা কৌরে।

পামহৈবা নিংথৌসি গোপালসিংহ কোলোই যিং লৌরুইতে লৈপাককী লৈখিনগাইবু ওইরম্বে। মরাং মপৈ লাকপবু মীয়োক মীচাল কৈ হাইহুনা লাইবা অতোনতাববু নাওয়োক নাওকোন-

বীরে হাইদুনা মিংথৌ কোলোই হোংখ্রীরে। মিংথৌ মাগী কোলোইবু গরিবনিৱাজ হাইনা থংনখি। মম্নাংনা মমিং তননা থেমজনবু য়াদবা কৌবা লৈখিদে। অদু য়োংগীবু নিংথেমও তৌনা কৌরে হাইদবরা; নিংথেম কোলোই সৈসক্ননবদি পামহৈবা মনুং লাংগীনে থংবীও। নিংথেম পামহৈবা মমাংগী গুরু অথোইবা সানতিদাস গোসাইদা লাইমিং দিথা কংজরে। কোনম্নুংগী লৈমারেল পূমনমকনু মমাংগী লাইমিং লোইনা লৌথরে। হৌবম অহল মেনজুংবদি খুবাইগী মচিন থংনবু লাইমিং অসি লৌজরে হাইবগী হৌবম মকোকপু কৌজখি। নিংথেম পামহৈবগী মকু অথোইববু ওইখিবনা নিংথেম সংগাইন্নুংদা অচিকপা কমবু পাই-জখি। অরোনবা অচেৎপা সান্নম লাললমদা মহাককা কোননা লৈবা ঙাকতানি হাইবগীবু হৌবম সগোল মকোক-ও তৌনা কৌরে।

হৌবম সগোল মকোকনা মমাংগী লাইমিং হাননা লৌবসি পামহৈবগী লৈবা দিবাপতি অপাম্বীনা য়াবা কৌবা লৈখিদে। নিংথেমমকনা তৌরিবা মম্নাং চৈথেং অকনবা ওলাং ইসৌ লাং-জখি। নিংথেমনা লৈমা অপাম্বীবু য়াশক চৈথেং লাংবীরে। লৈপাক কনা চংহনদনা ইমথোকপবু মম্নাং মন্যাই অথোইবা গোপালদাস কৌবনা নিংথেমগী অথাবা মিৎয়েংবু চৈঙাক পিবীরে কনা হমনা য়েংবীনবা লৈতন্নবদা পনথৌ মপা ইবুংঙো হৌবম সগোল মকোককী খৌইনসিননা গোপালদাসপু থান্নকপনি।

গোপালদাস কৌবা মরাংনা অপাম্বীগী মকমদা হংগোইববু নৈখি । গুরু মানভিদাসনা খৌরম পাংথোকমনবা মরমতবু পিসনবীখি । হৌবম সগোল মকোকতা গুরু সনাভিদাস অথোইবগী য়াথংবু ফংলবদা গোপালদাস কৌবনা অকীবা লম্বী নৈখিদরে । দিবাপতি অপাম্বীগী অয়াবা মভেংবু মুখিৎ খুদিং পাংথীথরে । নিংথেমগী অথাবা মিৎয়েংবু করিমু ওইনা থনখিদে । নৈপাকনদি অপাম্বী অসি কোলোই মখিং পনবা কাওবা পনবা ঙমনদবু নিংথেম মিৎয়েং অথাববু গোপালদাসনদি মাচুংদে । অপাম্বীনমু মরাং মাবু নুংসিথরে ।×।

মরাংগী মভাং লৌনম চাউথনা অকবা মরম থংবীদে । নৈপাককী মাংমনবা মরমতবু থোকনা মথোইগী মথৌ ওইবনি ।। গোপালদাস অথোইবনা অপাম্বী মসাইকোনদা অহিং লোংখিল অনিমক্তা তোইনা খোংদায়রে ।। অঙকপা মওংবু খোকলে ।। নিংথেমম্বী সকহেনবী মকোকমনদি তেমবনা কললক ইসোদি লাংনৈদে ।। মকক্ম সকয়াই কললকচৈ নিংথেম সেংনা মৈ-চাকপু কংলবনি ।। পনথৌ মপা অপোকপা হৌবম সেনদুংবনা ভাইসিনমববু হোৎনবনি অয়েমববু তাথরে ।। ওইবদা খোকথরে ।। গোপালদাস নহা ওইবনা অপাম্বী খোপল চংবদা সনা কমকাউ কাবদা অপাম্বী মথাক সোলদে ।। নিংথেম নাকোং য়োরে ।। নিংথেম সেনবা অঙমবনা কারে ।। মতিক মরাল দিরে সংলিং-বনা লোইসিনখি ।। নিংথেম মতিক চাউথনা অপাম্বীবু হাৎকে

তৌববু গুরু সারথিরাসুনা তৌহৈদে হায়বীরে ॥ গুরু পাউত ক ভুংইনবা খপাংবীগী পিবুকমুংদা লৈরিবা থম্মুংগী ভীলবু হিং-হনবদা লেপপীরে ॥ X ॥

খপাম্বীগী মকুম মথা মুমকনঙ্গা মচা মুপা খমা কংজরে ॥ নিংথেমনা লৌরা অচাং খহুবু খরাখবা বিংথোল পীবীরে ॥ নিংথেম মুখীদা লানমকুনা পোকই হায়রগী খরামবা মিংলেন পীবনে ॥ খরামবা মাপী সককথনেং লৈপাক কনাম্ন চংবীদনবু খপামবীনা পুন্সি চুম্না লেনথি ॥ খরাম নিংথেম মহাক থক্তা তৌহৈদনবু থোকলে ॥ ইবু ইরাম্বসিংগী মাথং খোইরা নিংথি-বমু মথং সিংদা ইভগে । মতম থোংবাই অক্পেপা ওইরক-লগা লৈপাক হুপনা নিকনমুনো লেংদবা মথি সায়হনো ॥ X ॥

মরাংগী লিচৎ লৌরুবনা নিংথেম পামহৈবসি মৎত লমচৎ ওইররে ॥ মৎত লমচৎ মাংওইনা নিংথেমনা লৈমা তরাবাবু লোনথিবনি । লৈপাককী লোলচৎপু থোওইদনা মরাং গুরু মরা ভাঁরগা মীতৈগী তুমন মুখাক মথেন্থ খপেকবা মরমদা লো-জথি ॥ মথং মথং লৌবদা সকহেন মীথোইনবী ইবোম চাউবরী থাসিং থাবুম মচাথবু খোইজিং মিহুলনবী থম্মবাল কাবু থোক-লরে । লৈপাক বাথোক ওইনরে ॥ থৌরম থৌরম খুন্দিলা মুদরা মথাং মাওথরে ॥ থৌরম খুন্দিং খুন্দিংদা মরাংতমা ইন-সিনলি ॥ মরাংগী ইপান খসেংবা ইমী ইথোং লেংথিবনা মীতৈ অহনগী বা লৌথিদে । থাবুম মচা মীরোলদুলে থংলবা ইবোম

লৈমা থমবালবু লৌনবতা শিললকলে ॥ × ॥

ইরোম লৈকাই সাৎলিবী থমবাল লৈখোং তমলকলে ॥ কোইদৌ সিংবুম তরেৎনি চংনা নিংথৌ মনাই অয়ামবা চংনা মথংলেন মানজা হাৎতুনা থমবালবু কোম্বুংদা পুথরে ॥ ইরোম সাগৈ হৌরুবদা সাগৈ পীবা অহল সিরে। অরেমববু ওইরে। থমবালগী মবুংঙো চ উবদো মথৌ খোকপা তৌজরে। নিংথেমগী গুরু মরুপ ওইরিবা মাতুবা কিশিসনাদাস বৈরাইগী কারিকানচিংবা তমবা মীকোক মঙামাবু থাংলেনগী ময়াদা চংহনলে। লাংবল থাগী লংমাইজিং নিনি পানবদা ইরোম চাউথবু লাংগোই সামুথকতগী ছুয়ান লাবনা তৌদুনা তংহন তমনা হাৎতোকলে। ইরোম চাউবা সিরবদা ইরোম কমা চেক লাউদরে। নিংথেম পামহৈবনা ময়াং গুরুগা চীলোকনা খোইরুম যোম্বোন তৌতরে। তরানি পানবা নিংথৌকাবদ ইরোম তুবন মীয়োলনবাবু মসানা য়াবা লৈতনা নমনা লৈমারেল কমবাল কাহংলে। ওনখোকপগী মতৌশি থমবাল মাবু লৈমা কমানা সাওয়ং কায়বী মৈহুনবীদে। থমবাল পুকনিং কাজিনবীমু সোইনাই য়াংনবাবীমু হাইনা লৈমা খিবিকনা হাইদ সনমা হাইদবয়া।

হৌবম অহন সাগোল মকোকতি মথোম দিবাবতী অপায়বীবু নিংথেমনা লৎনা সমবল থাখিববু লমন খুমলগে সিংলিদো। তুমন মৌসিং চললবী লাকয়েল ক্ষিয়ানলাবীসংবু লৌনা লমবা সিনবীথি। ময়াংগী গুরু অখোইবগী কৎতবা পাউতাক লৌনা

নিংথেম মনিংথেমবু লকাম লমদা লম্‌জিংলি। হে নিংথেমনাও গুরু শিবিকনা য়ারি হায়দুনা ইনমিনবদু হোৎনরি লকাইবা লৈতে তাকপিরি ।×

থমবাল লাইপক থিবীনা লৈমরেল কমবাল কাহুনা সনা মমজাও কাহনসু কোইরৌমাতা লোকচদে। অদাবা ফিরুকথুর পিবুকমুংগী অঙাংবু থমহনতা লৈরকপনা লোইদায় থাসিং মুর-ঙনা পাম্বিবাবু ফংজরে। লৈমরলগী মচা অহনমি হাইবদগী সনাহন হাইনা কোলোই মিংথোলবিরে। ইবোম ইসেংনা তোরৈ চুপনা চেললকপনা সনাহল অসে ইবোম সফকম কাইরকভরে। লোংমা লোংমা হৌথিহুনা চাউরা ধ্রাংগোল ফারকলে। মৈতৈ কংলৈ মপুংয়োমদা পালশিবা নিংথেম পামৃহৈবনা থোইনা হেননা চানবীথরে। মতম থোংবাই অসিদা থমবালদা নংতনা অতৈ তুমনসিংনসু মপারি মথং মথং পোকচথি। সানাহল অসিনা ইবোমগী ইপালবু ওইনা নিংথেম কোনদা সাংলথি হাইহুনা কোম্নোই মিংথোল তোপনবু সৈসকনথি। ই-য়াননা পোকই হাইবগী সানাহল থোরামবা অমুমনবু সোমনথি। পামহৈবা নিংথেমনা মচা নংতনা মচা সাই হাইনা সনাহল সাই হাইনসু থংনখি। মাননবা মসেল ওইহুনা সাইলকতবু তিনখি। মমাং-না মতাং চ উবনা মীতৈ মিংলেন নিংথিবা সনাহলসিবু মুৎথং-তুনা চৌংসাই হাইনা থোনবিথি সনাহল থোরাবনা চ.উরকলগা থম্বালগী অদাবু থোইনা হেললকথি। হৌথিবা থোদোক

কম্যাবু নিংসিং নিংসিং কাম্নকলে। লৈপাকম্না অদি তিনলে ঙাংনরে অহুম তিনলে ঙাংনবকলে। নমাহ্নে মাই মালেম থকতা লপত্তৈ হাইরকলে।X।

ফাইরেল থাগী ২১ নি পানবা ইয়াই সুমিৎতা তুবী নিংথৌ চয়াইরোংবগী দুপুন থোনববু থৌওইদনা অবা লালত্নুমবা চংরেং। হৌবা অহলত্নুপ লাকপদে লৌকয়াকপা হাজারিনে মরোকথাইবা কৈরুংঘনে ঙাংবীয়া কৈরুংবনচিংনা লালচৎপবু লাল ঙমরে। হৌবা অহল মেলত্নুংবগী মনাই অচানবা মুদয়া মচা মোংসাবৈমা মপু সোকনা থৌগলক্ষবনা মনা মথুমবু কংজখি। লৈপাক নিংথৌ তিললবদা মনা মথুমগী মসক লৌৎকোমদুংগী লাইরিক সংলেনদা লাইরিক ইবগী কমমাবু কংজরে। লাইরিক ইবা লোইসংদা ইবা-রেংবগী থৌবু তৌই হাইদুনা লাইরিকরেংবা হাইনবু লৈপাকনা থংনখি; লাইরিক রেংবা মোংস দৈ অঙকপবু ওইখি। লমলেন লৈসাংথোংদা সমাথহি থুবম থমলিবা অহুবু মুরতি সকক্ষন শাইহনলে। অনৌবা চরৈ হোংখীরে। থোংনাং বৈসনব নিংথৌ গরিবনিবাজনা সেনজাবা অমুদোমবু মনা মথুম পিখীরে। নিংথেম পামহৈবসি মাংলমচৎতা তৌনরকতবা অকবা কংতবা খিবিকপু মালং মৈখী মৈরাইনা মথৌ পাংথোকপা ঙমমী হাইবগী লোংপোক রাহেক্সং পামহৈবা-ও তৌনা কৌরে হায়দবরা।X।

নিংথেম পামহৈবগী কোলোই মিংচৎনবী ইয়োম তুমল

থম্বালসে কম্বাল মিছুন তমবদা পোমতী হাইনবু কৌবখি। থমবাল সনা কোমমুংদা পোমবী চেকলাবা তৌখঙুম লৈরকপনা মপান্নি অতোনববু কংজরে। অতোনবা মচানি খংনবা তোলেন তোমববু কোলোইবীরে; মম্নাংনা মহু চাওখনা কে'লোই ফিংলেন অথোইবা সনা তে'লেন তোমববু সাতম্নথন সাই হাইনা মফিং থে নখিরে। মপান্নি অনিমা চাওম্নকপসিদা করম থেংকনগ্রবা হাইছুনা থম্বালনা নোংমগী মুখিৎমাবু পোথারকভরে। অম্নাবা সকখম পুন্নিবী সনাহন পোকপী থমবালনা মপান্নি অনিবু য়েং-লগা অম্না সকলোন থাংনকলে। অতাং অনিনা চাউম্নকছুনা পনেম অপোকপী মকমদা মু'ভাই বাম্নী সাজববু নোংমতা হম্নাও ফিবোক উৎতবা মিৎলু পিম্নাং তৈনরে। থমব'লনা সাগৈ অনিগী মপান্নিদা বাবম থজিক কাংওমদা থাংখরে।

অম্নম চৈরক অ'সদা মম্নাং গুরু অথোইবা ওনথোকপপু তৌরকলে। "হে নিংথৌও অথোইবা নিংথৌ নংগী লৈপাক পুমবা ম্নাম্নানদি ধনমা অথোইববু লৌহনলসি। অরিবা লিচৎ হোংহনছুনা অনৌবা ধনম্মবু চৎনরজি" হাইনা ভাকপিরে। মম্নাং-না হ মরকপদা ইন্দ্রনতা লাকলিবা পামহৈবনা সংগোল পাও চেনহনলে। শীকা মীপুন তৌছুনা অকনবা চৈম্নাক পিছুনা মী-ম্নাবম্ন অনৌবা ধনমা লৌহনলে। থোইম্নাং লালহাখবা কৌবদি অহনবু ধনমা লৌদে হাইছুসা কৈদাপুংদা পুথোকতুনা থৌম্নি ম্নাংনন' হাৎনবা তোংনববু হাৎচমদে। লৈপাক ফিতৌ কৌনা

মোইরাং লানহাববাদি খোইয়ুম মসাইওন চৌংউ খোংনাংথাববু লোনচুনা কয়িন্থু লাচুংদনা লৈবি। চৌউ যাগী লাংওন মমাংদা মচা মশাও কয়াবু পাওতাক প.উমেন তৌবীবা খোংনাংথাবা অহনদি চৌংউ খোইয়ুম লায়োইনা পুংজা পুংজা লৈবনে। মীতৈ মচাসিংনা যসানা য়াদবা থরমাদি থক নমচুনা পিকরোই হাইনা লৈপাক মীয়ামদা লাউথোকলগা খোংনাংথাবা অহনবা মচাশিংবু থংহনলে।×।

লোংবা কৌবা মলোংবাই নিংথৌ চৈরাক অকমবু থাচুনা লৈপাক পুম্বা লিলোংদা ইরুপরে। থাকচিং থাগী থানিল য়ুম-সাকৈসাদা গুরুস্থু নিংথেমস্থু লুকুন থাংবা লিলোংদা ইরুপপবু য়াউরে। সুমিৎ অসিগী অমিংগী লোংয় ই পুংকমদা লিলোংদা ইরুপলুবা লৈপাক চুপনা কংলা সুংজেং ইকোনদা ইলুহলনে। মসু'গী ইচেল থংনবা সুংথং ইরুপ্পবু কৌরে। লৈপাক থাথোক চাউরে মীহাৎ মীপুননবা ইলুহলনে অস্থু লোংগীবু সুংথং ইরুপপা-ও তৌনা কৌরে। মমাংগী থমমবা থারবদি ই-ওনা পুনসি পিবম-নসি থাসকনরে হাইদবরা মচুস্থু মদোমদে।×।

লৈপাক থাথেক ওইরকলবদা পোৎমেরবা অহল খোংনাং থাবনা নিংথেম মমাংদা থংহনলে। "নিংথেম নংবু তাহোরো মীতৈ ইগী লিচৎপু হোংদকদে হোংগনি হায়রবদি য়ায়ম অমবু হাইবিরমগে। ইপা ইপুনা চৎনবিবা লিচৎপু নমজা নমথেকনা মুৎথৎকে হাইববু তৌহৈদবনে। মচুগী তেকসিন হনজিনগদবদি

মিংথেম নিংপা য়াংবোইরে। মৈপাক মীয়ামবু য়ামক চৈথেং পিহনা মীহাৎ মীপুন তৌহনা লিচৎ হোংহনবদি মতম থরভগীনে মৈপাক মীপুম কায়া ওইখোক্লোইরে। মিংথেম নংগী মরিং থুংনবা হোৎনবদি লেপকলো ওইবদি য়াগনিরে। মিংথেম নংগী মনাইশক মৈবনা থবক অসিদা পাংথোকলো অহুপা মীপুম থুদিং থংজহৌনবা হুংথং ইরুপপা কৌবনিদি নাকোং থুদিং পাওজেল-লমগে। হে মিংথেম-ও তাজো-ও অহুটৈ ওইদ্রিবা থোকখিবা য়ানে"। "পাওজম হিদেন মপানদা কৈদা হিদং মসুথাংদা ভরেৎ সেনপুং য়ৈরবদি য়াংলেন পুংজাও ফুবদি সনা লিকলাই মরুমী ভুবী মরু থাবদি হৌদেদো। সেনবী মুকাকশৈ মরু থাবদি হৌ-দেদো" অসি য়াবু থংনসে। য়ামন অসি কাংলওপদ। ময়াংবা গুরু অথোইবা সানতিদাস গোসাইদি মচুং মু'জেং ইখোনদ। হাই-ভুনবু য়ানথরে। "হে নিংথৌ-ও মপুক চেৎনা তাউ-ও। নোং-চুপচা লমবোইবা থিবিকনা চাকনি কৌনি লার্কলগা নিংথৌ কম-জাও কাখিবনা থৌওং মওং ওইথরে। ময়াং লমবোইবনা মরিং ভমনা থেমববু করি থংদবগে। মহু থংদবনা মরিং ভমনা থেমববু থুদম থংনমবা মিংথেম কোলোই মিংথোল পিবিরমগে। হে নিংথৌ-ও তুবী নিংথৌ চরাইরোংবা মহাকথকতা ময়াংগী ইংলান থাখিবা ভসিনা মনম কাউররে। মিংথেম মহাকথক মৈপাক অবাবা চংলে"। য়ামন অসি তাবদা থোংনাংথাবমী মকমদা মিংথেম্ মংত মিৎয়েং ভমববু মৈমাই থকথা হাইথথরে। হৌবম

সাগোল্ মকোকনা কোনশিনলে। খোংনাংথাবা মতৌ উরদা নৈপাক পূমবা অকি চংলে। মমাং গুরুনা মকোক লোননা খোংনাং থাবদা থুরুমজরে॥ "মীতৈ মাইচৌ-ও শিদমা নখোং থাবা চংজরি। কবিন্থ থংজদবা নিংথেমনা নিংজবসে থুংহনবিয়্। লমবোইবা ইহাকথক নিংথেম মনিং থুংননবা চৌংউ নংনা কুমীয়্"। অসি ব'বু তায়রবদা খোংনাংথাবা হনদোকতুনা মচা মনাওশিংগা লোইননা লৈথরে।X।

লিলোং ইরুপপা লোইরগা কংলাপী মুংজেং ইকোনদা মহৈ মহৈ ইন্নুমরে। ওইনাম মরৈ লেমবাং কুৎলৈ কৌবদি অনিনা ইরু ইসেং য়াওরোই হাইবগী অয়েৎপবু থোকলে। নিংথৌ মনাই অচানবা হৌবম লেনুংবনা চৈরাক পিদুনা চৈসিং ককতানা ফুরকলে। কবিগী ইরু ইসেং য়াওরোই হায়বনো হংবদা য়াথুমলে। "সংগোম নমি পোতিচুং ওান্থু সাবী ইথেম্ম।" হাইগুমলে। "ওান্থু অচৌ অচৌবা চাদুনা পাংগল চৈতাক লৈজববু সংগোম নমি চাদুনা মৃত্যু সিনবদি য়াউজরোই" হাইরে। নিংথেম মসা চংনা হাইবিরে— "নখোই ইরুলো নোংথরং পাইনা বাসকলো। নপিণ্ডানিগী অচেৎপা পূকচেলবু মতুং কোইনা কাউদননবা নৈসকনরসন্থ" হাইরবগী মুংজেং ইকোনদা ইরুপলে। নৈপাক খোনখোক লাউরকলে— "হে নিংথেম মপোক তরেৎলকতি ইরুক-রাশক ওাকলগে মপোক লাংওন লোইরগা কোইলো নোংমা হেনবদা মীতৈ ইরমচং অরিবনু হনজিনগনি" নিংথেমন্থ গুরুনু

হোইরাছনা য়াসকনে। অহ্ লোংগীবু লোংথয়ং য়াথক-ও তৌনা কৌরে।×।

য়াকচিং থাগী ১১ নি পানবা ইরাই সুমিংতা লম্লেন লৈসাংথোং মরুদা ফুরা লাইসংমুংদা থমলিবা লাইনিংথৌ সনামহিগী থুবমবু হোৌবম সাগোল মকোকময়চিংবা নারায়নদাস বাওনা মুৎথংলে। লাইসং মমুংদা থমলিবা লাইনিংথৌ থুবমবু লৌথোকপদা লাইগী সকক্ম ওইনা লৈরমববু লৈপাকনা অঙক চংলে হাইনবরা। মছুম্ মদোমদে। নারায়নদাস থাকুরনা করিগী লাইসংমুংদা লাইসনাগী মূরতি লৈরমবনো য়াহং ওমরে। লোংসাবৈ কৌবা অকনবনা চোংথোকতুনা থুমলে। "চিংনবিগন্ম ইপু-ও মহারাজবোং সেনজবা অমুদোমনা য়য়াংগী পোইরৈতা ইনমা নিংথেম গরিবনিবাজ মহাককী য়াথং থোইয়াবু অমৎতা কাইদা লেমখিবনি"। সাগোল মকোকতি অঙকপবু চংলে। লোংসাবৈনা হাইরে—"গুরু সানতিদাস মহনতনা পরিং পথাপ তমবীবনে। মীতৈ লাইনিং থংদববু থংনবা হাইদুনা মীতৈগী লাই অথোইবা লাইসনাগী মূরতিবু অহনসিংদা হংদুনা লিংখিবনে" হাইরে। মীতৈনা মূরতি থংবা ওইসনু হায়দুনা সেনতমা হৈদুনা সাখিবনি। মীতৈ পুমনমক ওাউনবা মরমতবু সিনথরে। মূরতি অসি সাখিবা সুমিংতগী লমলেন লৈসাংথোংগী ফুরা লাইসংমুংদা লাই সনামহিনা য়া ওাংলে হাইনবু পাউথোকপনি। লৈপক হপানা লকাতুনা য়েংনরে। লৈপাকনা থাজরদুনা গুরুনা

হাইবগী সেম য়াম্না কংমরে ॥ মীতৈ পুম্নমক মুংথরং ইরুপথি-বনা লোইমম্নক লাইচুনরে ॥ লমলেল য়াংগোই মকাইকয়দা সাহনা থমজিনবা মুরতিনা রা হাইবিরে • যবসি কোমহুংগী পাউ ওইনা সনদোকলে ॥ মীতৈ পুম্নমক লুপথরে ॥ হৌবম সাগোল মকোকনা ঙকসিনমতুনা লোইনা ত্তারে। ময়াং গুরুনা থনবদি মীতৈনা থাজহললগা মতুব অমুক নৌনা থুগাইরবদি পুনিংবা মাইকৈদা পুঙমগনি ॥ অনৌবা লাইগী অনৌবা মুরতি লিংখৎলগা মতুদা হেনবা থাজহনগে ভৌবনি ॥ মুংথরং ইরুপপবু নোংথরং ইরুপপা হাইনা থংহল্লে। লিকথুল মমগী মুৎনবা সিললে।×।

সানতিদাস গোসাইনা মথম মথন নৈরকলে। নোংথরং ইরুপপা লোইরগা লৈপাক পুমনমক বাসক চৈথেং কংলতুনা লাইগী মুরতিবু থোইনা হেননা থাজহললে। মুরতি থাজরে হাইবা উরবতুনা অমুক মুরতি থুগাইরো হাইরে। লাইগী মুরতি থুগাইবদি গুরুগী থৌসিজ মহৈ য়াংনখরে। গুরু অহিং ভুমখিদরে। করি মুরতিবু লিংখৎলগা মীতৈনা থাজবা হেনগদগে থনমনা মকোক ঙাওরে। ইংঙা থাগী মোংবা পানবা ইরাই মুমিৎতা মীতৈ কংলৈপাককী লাই মুরতি সাজিনখিবা থিবিকপু গুরুগী য়াথংনা থোনগৎতুনা মোংবহনবা উমংদা লোইনা ফুমজিললে। ময়াংনা সাথিবা মুরতি থিবিকপু অমুক হননা ফুমবসি ময়াংনা হংগোইববু লৈথিদে। থোইয়ুম লাইপুংথৌ তরেৎকা উমংলাই মাপলমগী সকতম লৈতবনা মোংবাহনবা উমংলেলদা ফুমখিদে

হাইদবরা। মচুমু মদোমদে।X।

ইংডা থাগী ১৬নি পামবা লংমাইচিংদা কৈথেলদগী মুংজাও-মবু হনুমানগী মুরতি সাইয়ে। মথং মথং ওইনা শ্রীরামজি পরফু লিংখৎলে। শ্রীলখোন অথোইববু লিংখৎলে। কালিকা লাইমু সাহললে। হনুমানগী মুরতি অসিদি কমানমু য়েংবীদরবদা হনুমান থাকুর পনচামুখি হাইনা মথিং অমুক থোললগদি নীপুম চংনা থুরুমমরে। উমংলেল থোংবাহনববু হনুমানগী মথিং লৌ-চুনা মহাবলি হাইনা মিংথোল পীরে। মীতৈ লাইবু থওইদবনা তাইবং মপুগী মিৎয়েং লাকলে। পামহৈবগী মচা মিপালববু পুনসি পিথমনহললে। লৈমা নিংথৌ গুরুনচিংবা লোকচিন-লকলে। মিংথেম গুরুনচিংনা কংলাগী ইপুথৌ পাখংবা লাই-কোনদা ইরাৎ থৌনিজরে। লাইনিংথৌ সনামহিবু অতাই ইরাৎচরে। মমৈদা খোংনাংথাবনা ইরাৎ থৌনিরবদা লাইনিংথৌ মমাই লৈবিথরে হাইদবরা।X।

সানতিদাস গোসাইনা অহনবা লৈতনা মিংথেম পামহৈবদা হাইরকপি। মিংথেমা মংগী মংগোল ওইননবা নহালনোং লমলেল রাংগোই মকাইকমদা লাৎলমবা সনামহিগী মুরতিবু অমুকহননা সাদরবদি পুনসি ময়েং মরাং তাগনি। সনামহিদি সানতিদাস মসাবু সিলোৎ মপুংম্নাইদগী পৃথো৹পিরকপা লাইনি হাইজিনবিরে। করি লৈবা থনদনা পামহৈবা হরাওনা য়ারে। অনৌবা মুরতিমবু সারে। হমদকতি অনৌবা মুরতি অসি কংলৈ

মপুংম্নাইদা থমদসি হাইচুনা উকোংপাংকী মম্নাদা ফুরা সানা থমবীরে। শ্রীহোরিনারান থাকুরবু সেবা চৎহনলে হাইদবরা। মচুম্ম মদোমদে।×।

লাইনিংথৌ সনামহিগী মূরতি সাবসি মম্নাংনা মতাং চাউবা শ্রীগুরু সানতিদাসনা লোইনমকতবু সিনবনি। মূরতি থুগাইবম্ম মম্নাংগী লমবোইবা অসিননি। চুমদক লৌনা অমুক মূরতি সাম্নিবা অসিম্ম মহাকননি। করিগীনো হাইরবদি মীতৈ কংলৈ-পাকতা লাইগী মূরতি চৎনহৌননবা মমম সিনবনি। লাইগী মূরতি হেকপু লিংখৎখিবদা মীতৈনা লাইবু সোকহনদরে। মম্নাং বামোন মথৈনা লাইগী সেবা লোইনা তৌহনথরে। মম্নাংগী মতাংপু মীতৈনা উবা কৌবা লৈখিদে। লাইসংম্নুংগী মূরতিবু মরেক সেংনা উখিদনবা হাইচুনা মাংওইমনা য়েংহনদে। "কাক-চেপতা মিংম্নেং পৈননা পৈনা য়েংহনবু চৎনহনখি; বামোন থাকুর মথৈনা লৌচাবু লৈরে হাইচুনা; হয়াও মথোই কাজখি। লাই সনামহিম্ম বামোন শ্রীহোরিনারান থাকুরবু লাৎহনখি। মীতৈনা মসাগী লাইগী লাইখোং থংদনবা মূরতি সাচুনা বামোন-তবু সিননবনি। মম্নাং বামোন খিবিকনা ফুরা লাইসংম্নুংদা লাইগী মূরতি লাৎপদি মীতৈগী অকাইবা ওইখিরে। মূরতি সকক্ষম সেমখিবনা উমংলাই লাইসক সেমবা তাইবং হংচোক লাংনখিরে। মীতৈগী লাইকম লাইকমসিংদা মূরতি সকক্ষম নাইববু রাগৈ পরৈ ভমনা থাংনরে। মীতৈগী থমুং লাইরমসিংবু মূরতি

ওইনা সেমজিনবুনা মপানথোংদা কৌরে। মাখন লংজিন কাজিননা মূরতি সকলোন পুখোকত্তুনা মমাং বিবিক লৌতুনরে হাইদবরা। মচত্ন মদোমদে।×।

মমাংনা গুরু অথোইবনা মাখন পানবৈ পুখোকত্তুনা মীতৈ মাংনবা সিললকলে। মমাং ইপান থাবিবদা ইগী শংলাং খংনা গুরুনা হাইওমলে। “হে নিংথেম-ও নংগী লৈপাককী লাই অরুবনা মাবানদি থরমনা মপুং ফাওমদে। ফুরা লাইসংমুংদা লাইগী মূরতি থমবতনদি লৈপাক মপুক ফাওমলরোই। হে নিংথেম-ও বারমববু লাইগে বিচার মাক্লেন তৌবিয়ো। মীতৈ ময়েক হাইবসে তোকলসি। লাইগী কাংলোন ইবা মীতৈগী ময়েক পুমনমক লাইরিকতা কোননবা মচুখেলগা শ্রীরাম পরভুগী মংগোল এইমনবা দেবা অথর অসিবু চৎনহনসি” হাকপিরে:
“হে নিংথেম-ও পুকচেল পাংগল লৌসিংবা-ও ময়েং ভুংকাউবা লৈহৌননবা বারমতবু হাইজরে। - মীতৈ লৈপাককী চৎনবী পুমবা লৌনা অমচুক স্নেমলবদি অনৌবা থরমমাগী মপুং ফাগনিয়ে। অনৌবা থরমমদা নাম দীখা তৌরবা মীতৈনা পুকচেল অনি-লোংকরোইয়ে। লৈপাকতা লাগোন পাউজেল তৌবীয়ো”। “হয়েংগী ইমুংনা ওাংবদা মীতৈ ঈপা ইপুগী চৎনমমবা লৈরমবা লাইরিক লাইমুমখৈ পুখৎলকলো কংলা উত্তরা মাংলা থুংলরাউ অমৎতা চিৎথা মামথা থোকলবদি মাইবী মথৌবাই লৌগনি” হাইনা কোনমুং সনা মাথংবু পাউজেললে হাইদবরা।×।

লৈপাক মায়েল কমবৈনবা ৱাঙমন্থুবা নিংথেম পামহৈবা মহাজনসোং মীতৈ পুমনা হৌনা লিলোং ইরুপহনখিবা ফুংজেং ইকোনদা ইরুপহনখিবদা মীহাৎ মীপুন তৌখিবসু লৈপাকনা ৱাকাউনদে। নিংথেম মরাথং অহকপসু অকি চৈথেংনদুনা অরিংবা লাইরিকসিংবু পুথৎনরে। লৈজা লৈজবা পুথৎনরকতুনা কংলা উত্তরামাংদা লোইনা পৈরে। মীতৈ অহনসিংনা মপান-থোংগী ঙাংনা নকনখিবা লাইরিক মথেবু পোৎচংগা লোয়ননা চমনা পৈরে। লাইরিকনা পৈবা পৈবা মাইকৈবু খোমজিন তাসিন তৌখরে। লাইরিক পুমনমক থাগা ৱাংগা পৈরে। উচুক তরুকমবু য়ুংসিল্লে। উচিবা মরিমস্থ য়ুংদুনা থকতা থকথন মথোন হাপকৎলে। নিংথেমনে গুরুনে খোকলে গুরুনা ইসিং ইসাইফু অমা লেংথোংনরে। মথুৎনা মৈহুম মৈচেৎ পাইনা তরেৎলক হননা কোইখরে। কীঙৌনা থকতা থনদুনা চিথেক মরিমকতা থাংনা লোইনা হকথরে। লাইজা ইসিং হৈজিললে নৈবী মৈয়েল চুমকলে। মৈ ৱাইরকপদা লাইরিক মথেদি মৈনা লোইনা চাকথরে। মীতৈগী লিকথুন ইবা পুয়ামথেদি লোই-নামকতা প.ইথোকখরে। পুয়া খিবিকনা মাইকৈ মাইকৈ পাই-থোকতুনা চাইথোকখিবসিদি মীতৈ পুমনমক অমুবক হননা মী তৈগী মথুবম হনজিনবা সোইদবে হাইনা গুরুগা নিংথেমগা চিকসবু ঙাংনরে। সানতিদাস গুরুনা অৱাবসু ওইখরে। মৈগী মৈনঃ

ব্যথনসিবু পুন্ডদা গুরু মরাবা চৈথেংলে। গুরুগী মিংবা থুং-নদে হাইদবরা।×।

সানতিদাস গোসাইনা তৌরম্বদি হললক্লোইতবু হাইদুনা মথাতানা হাইরকলে। "হে পুকচেল কবা মিংথৌ-ও লাইরিক অয়াবমবুদি নৈনা ওবনা চাকথরে। অরুবা লাইরিক পুয়া মথৈদি নৈনা শোকখিদরে। মীনৈ মীতিক থংলবা পুয়া মথৈদি মাইকৈ সিননা পাইখিবা মথাং ঐগী থরমমাসি কুইরোইদৌরি হাইরে। হে মিংথেম-ও তাবীও থরেং কোবা লোংনগী মীতৈগী মীসি মীনা থোকপদা লাইরিক পুমনা নৈ থাবওন পোৎসি পোৎলোই তৌগনি। মীতৈগী অমিবা লোলচংতা অমতবু তৌকলোই" হায়-না তাকপীরে। মংথোং মংথোং থুদিংমক তৌথোকচুনা লিখি মাখিবগী সরু পুমনমক লৌথোকলো"। মিংথেম মাথং কংল-ছুনা হানমদগী নৈরোমচুংদা নৈরবা সরুমথৈ পুথৎলকচুনা সনামাংদা পৈরে। সানতিদাস গুরুনা লাওথোকরকলে "ওসি পুরকলিবা সরু পুমনমক মিংথি তোরৈ ইরেমদা পুথনা থাদরুলো। মুগী মচেৎ লৌচনা লাইনৈপাকতা পুথুনা থাদরুলো"। থৌসিল অমম তৌহিকলবদা মীতৈগী অহল চৌংউ থোংনাংথাবা সনা-কোম্বং কাররকলে। "নপুথৌসিংগী হাকতকতগী নৈসেম থৌবু পুরকলবা থোংনাংথাবা ইহাকনা সনামাংদা হায়রগে। হৌজিকতি নৈপাক পুমবা লোইনা অমাবা চংলবনি। মুগী মুচেৎ পুথুনা মিংথি ইরেমনা থাদবদি মীতৈসিংনা অবা নৈপাককী মীথা

পোকপনিরে। যেকলা মীখাপোম থৌচৎহৌদে। মংলেন মংখোং হাংলুনা লক্ক চুকপদি নিংথৌর নংনা মচুপী মরাল কংজপনিরে। মায়ম অমত্তু হাইবিগে— মীতৈগী লাইনিক মথৈ থৈনা থাদোক-পদি লৈপাক মবাখা চংরমি। থংলৌ হে নিংথৌ নিংথৌর পীসক-ও। লাইনিক মচা খৱা চাকথরবসু মীতৈগী পারি পুরি ইবা পুয়াসিংদি অমত্তু থৈনা চাকতম্নিরে। মাকৈ মাইকৈদা পাইখিবনি। নিংথৌর মংগী মনাবাংদা মোংখরং অরুবা মীতৈ র.সক ওইনম্নিবা পাবেল সিংজা মসা পাইদুনা ইরুপ রাসক লৌনখিবনা মতম থরদি মনিং তোজরো। মতম থোংবাই থরদি নিংথৌর মতুং ইননা থৌরম-থৌদোক পুমনমক চৎথজরো। হে নিংথৌর-ও তাও নিংথৌর মংগী মরমগীদমক মীতৈগী লৈরক-কোনসাং খুদিংদা পূয়া লিয়ৌ লিমললগে। হয়েং পে ইরৈ লমদমসিদা রাসক ইরুপনখিববু মুংসেল ইহললবগা নিংথৌর মক্ক থুলজস'না। ওসি কৌখা লোংদি নিংথৌর নখো তৌজখো। পেমনা পোলোই মেংনসি হাইবা মতাংনা হাইরবনে। হে নিং-থৌ-ও হয়েং মীতৈ হুপনা মপোক র.সক মুরবদা মুংসেং ইহল-নরগা নিংথৌর মপোক থারিনা মনং পুয়া যোনথাংনগনিরে। হে নিংথৌর-ও ওসিদি হাইরবনে মতম থোংরু.ই লাকপে মীতৈগী অহৈ অমিং পুমনমক মমাই ওমনা লুকনরে। মীতৈ মরি মুৎতনবা অথংবা পুমথদি লোংথরং রাসক মাওদবনি। ইমু মতম থরদি

তাইরংবিগে নমিৎ খিংনা য়েংহৌরো।" হে নিংথেম-গী মমাং লোনচৎ "পামবদি নিংথেম করা হুৎসাংকরোইদ্রে"। অদুগ্র মাথৈ তাকপিরবদা সানতিদাস গুরুনা পিহুব হুকনা থুংবগে হাইববা।X।

থৌগল লোনচৎ তাকপিরবদা পামথৈবা বাথল থেনববা অমাও লককম উংতুনা মাথৈ থজিক কাংলকলে। "নিংথৌ ইগী ইহাক্কথক গুরুগী মাথং কাইররোই। মীতৈগী বাচুম মুবা ইপুনি ইপুনা খো·নাংথাবনা লাইনিংথৌ লাইয়েথনা খিবিকপু তাইনবিহুনা মিংজবমু থুংজগে। হে মাইচৌ অথোইবা-ও চৌংউ মিংথৈ থোইং-কংলবা ইপুনা নিংথৌ ইগীদমক লমবী মাংদৌ ওইবীমু" হাইরম-লগা গুরুগী মথক লাননা চোংতুনা হাইহৎতুনমু তুথরে। গুরু চংনা হোৎনবদা বাথল ফেনচিং কংদরে। নিংথেম কংলাগী থেনপুংদা মাথল কংদা থৈরথরে। হৌবম মগোল মকোকনা নিংথৌ সেনবা থরনে পামথৈবগী থৌগল তৌজরজরে। করি তৌকম থংদবনা লুখম থোৎনা থৈথরে। গুরু সানতিদাসনা মনভরা মুলদা কংনা সোনজবমু থোইনা হেননা মুরকলে। সিবা চংবা থংলকতরে। মমাং গুরু অথোইবা সানতিদাস কৌবনা খুরুখুদক সদ সানা লৈমাইংথকতা মাতুপৈরে থাংহনা খোংনাংথাবদা হাইজরকই। "মীতৈ গুরু অথোইবা-ও নিংথেম ইগী অচানবা পামথৈবনা অমাবা চংজিবসি অমুকতদি কনবিয়ু। মমাং ইগী ইথিক লৈতবনা মীতৈ মথোং কোননা হাইজবনি"। "হে মমাং

নুমবোইবা কোনাংদা মচম লৈবা মণম মমবু হাইদিকে অদি অনৌ নিনকবা মীটে ইমোইবী চৎখবনি। মখিৎ লিংখ ইরোই-নবা অম্ব তৌনা হাইদনা থোংনাংআবা ইথাকনা থংবনি। তেংবা-নবা মপু নিংদবা, কাংলেই মাগী লোংবদনা মচম থবদি মীটে ইথোই বাখো হাইদনা মথাং মথোইবাই কনবিরগে। মথাং লংগী ই মকনা মীটে ফংলে মথমাইদা পামবৈবো কৌনা মাংপবে। মপু মাগী থৌসিল দৈখিরনা পামবৈবগী থৌবাইবু কৈদৌনোইবে' অমুক হাই-বিরবদা পামবৈবা কৌবা নিংথেমনা তুমমুবগুম থোংথেলকলে। নিংথেম রাখল কংলদুনা থোংনাংথংববু খুরুমলে। রাজম থজিক কাংডমদনা হাইদিংবা কোংগাই লৈদা। পামবৈবা তিংথকনবিৎতেনা "নিংথেম নখো পাংথোকউ" হাইরমলগা থো নাংথাব হনখরে। ফংলা সনা সংগাইদুংদা গুরুগা নিংথেমথা অনিমা থোংলোই থিবিক মাওনা হনখ্রইদরে। অহিংগী তাংদৌ অথেংবদা গুরুগা নিংথেমগা শ্রীরামচন্দ্রনা অযোধ্যাগী বনবাস চরিতম্ম পারিংতে নিংথেমগা সনা কমলাওকুনদগী কাপথরাং লোংমৈ নিংজং তাগুমবা মখো? মা থক তৈরে। মীরুপ মীবাওখোফনা সনা সংগাই লাংকরে। লৈমা? অপাম্বৌনা পোকচব, সং জাই দৌবা মমাঙবাগা মনাউ সোনদ-মমবা অমনতা লাইগা অনিমাবু অক্ক-অদাও লাইছুরে। লৈপাক অমাইবা অমাইবী চংনা হোংনবব্ কবি পামবৈ কংখিদরে। লাই-নিংথৌ সনাথৈরেন সীমবা মপু মাগী কাজাওদা থোজুক থউৎব

থাদনা হৈরাং লৈয়াং মসিংমনা হৈরাং হৈরককসেম লৈরাং লৈকা থেমনা থৌনিজবদু হেমনা কহক্তা খুদমসে হাইদবরা।+।

ইমুংনা সোরা তৈরবগা সানতিদ্রাস অথোইবগা হৌবম সাগোল মকোক য়াউনা জথেল পনচোমবাই মথোই অহবাবা থোংনাংথাবা মহমগী মকবদা চৎতুনা কপচক্লমে। হাইবা মোনজা তোইরকলবদা থোংনাংথাবা অহনবা মসাগৌ মোইরাং লালহাবদু তিনকোক লাইকোকনবিক্ত হাইনবু পাউসিমে। লালহাববা পনবা তৌবনা খুনা য়াংবা তৌদুনা সনা কোনজুংদা শুক্লগা লোইননা খুংলমে। ইমা লৈথাবেল কাবাইদা পাউতাক প.উরেল তৌরমে। লাইনিংথৌ সনাইরেল সিদবদু ইরাং থৌনিজরবদা তাইরেল পুংখাইনা হাইরবদা তিনকোকচমে লাইকোকচমে। মীতৈগী অহল থোংনাংথাবগী থোইবা থোইথোইবদু জুরাই থকতা হাপ-তুনা মোইরাং লালহাববা হনথমে। লাইরেল কজেংতানবী চপ্পুসিংনা পাউহং তোইরবদু মীতৈ লোলচৎ অরিবনা পোংথা লববী ওইমরে। সনা সবজাই মুংচানবগা মস্যাগৌ অমনতাসাই অনিমাদু চীংউ মাপী থৌজানবা অকা মু'তাই ওইদমে।×।

মতুং হাকনা কুইথিদে মমাং শুক্ল অথোইবা কন্নি উবা তৌদন কদা সহম কংদনা সনা কাজাওহুংদা মুমদা ওই বানথামে। অতাও চোইরে:ল তৌদুনা লৈরমলবগা তাইহাক পুংপোই মপুংবা লাইখুং মরমমনা বাইখুংলমে। মন৭ হাকনা মমথীব, ইরোইমনা মনাক নকমুবা চমলথিদে। নিংথৌ পুকনিং ওলাংদে। শুক্লদু সনা

